# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ চা-চন্দন

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনস্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ









**হিন্দুশিংগীদমক্তা** থোইদোক্লা লুম্না লৌনরিবা পান্বীশিংগী মনুংদা চা-চন্দন হায়রিবা পান্বী অসিসু অমনি। চা-চন্দন পান্বী অসি ইংলিসতা সেন্দলৱুদ (Sandalwood), হিন্দিদা চন্দন (Chandan), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *সান্তালম এলবম (Santalum album Linn.)* হায়না কৌই অমসুং *সান্তালেসী (Santalaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

চা চন্দন পান্বী অসি ময়ায় ওইরপ্পা চাউবা অদুগা ইভরগ্রীন হায়বদি মতম পুম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা হায়বদি মনা কেনগন্দবা উ পান্বী অমনি। পান্বী অসিগী মসা (Branches) শিং অসি অয়াম্বা মতমদা মরূ লুকথদুনা (Drooping) পাল্লি। চা-চন্দন পান্বীগী উগী মকু অদু মক্রক-মক্রক (Rough) লাউই অমসুং উ অদু মপূং-মরৈ ফারক্লবা মতমদা নুংশিবা মনম চেল্লি। পান্বী অসিগী মনা অদুগী মথক থংবা শরুক অদু লংখৎলি (Shining) অদুগা মখা থংবা শরুক অদুনা ৱাওথাংনবা মচু ওই। পান্বী অসিগী লৈ অসি অপীকপা মঙ্গ্রা মচু চঙলপ তৌই অমসুং চরোং ওইনা শাৎলি। লোয়ননা মহৈ অদু মতুম তাই অমসুং হৈখা অপৎপগী মচু ওই।

চা-চন্দন পান্বী অসি ইন্দিয়াগী মরুওইনা খা থংবা লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি। চা-চন্দন পান্বী অসি কর্ণাটাকা, কোইম্বটুর অমসুং খা থংবা টামিল নাদুগী মফমশিংদা য়াম্না মরাং কায়না হৌই অমসুং পাক-শন্নসু থানৈ। অতোপ্পা পাউদমশিংগী মতুং ইন্না চা-চন্দন পান্বী অসি ইন্দোনেসিয়া অমসুং মালয় আর্কিপেলাগোদগীসু হৌরকফম ওই। ইন্দিয়াদদি চা-চন্দন পান্বী অসি অশেংবা (Sacred) পান্বী অমনি হায়না লৌনৈ অমসুং ধর্ম্ম-কর্ম্মগসু মরী লৈনৈ। পান্বী অসিগী মমিং চন্দন হায়বসি সংস্কৃতকী ৱাহৈ চান্দানম (Chandanam) হায়বসিদগী থোনখিবনি। পার্সি ফুরুপকী মীওইশিংনা চা-চন্দন পান্বীগী উ অসি মন্দিরগী মনুংদা মৈ থাদুনা তাইবঙ শেম্বা মপূবু পুজা তৌনৈ। য়াম্না লীরবা মতমদগী ইন্দিয়া অমসুং চাইনাদা চা-চন্দন পান্বীগী উ অসি শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ।

চা-চন্দন পান্বীগী মপূং ফানা লীরবা উ অসিদা ইসেন্সিএল ওইল হায়রিবা থাউ অমা য়াওই। হায়রিবা থাউ অসিদা য়াওবা খ্বাইদগী মরুওইবা কম্পাউন্দ অদুদি সান্তালো (Santaloe) হায়না কৌই। হায়রিবা থাউ অসি ফ্রেকসনেল দিসটিলেসন (Fractional distillation) গী মতেংনা শুংবা য়াই। অয়ুর্বেদিক্কী লায়েংদা য়াম্না লীরবা মতমদগী চা-চন্দনগী থাউ অসি মখল মখা কয়াগী অনা-লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। হিন্দুশিংনা চা-চন্দনগী উ অসি ঈশিং খরা হাপ্তুনা তক্লগা লৌবা অনঙবা মহী অদু লাইবক অমসুং খজাইদা তৈদুনা লাই খুরুম্বগী চৎনবী অমা লৈবসি বিজ্ঞানগী মীৎয়েংদা হকচাংদা থোইদোক-হেন্দোক্লা কান্নহল্লি হায়না উৎখ্রে। অরুম-লাইহৌ তৌবদা হায়রিবা মহী অসি তৈবদা য়াম্না থুনা ঈংথহনবা ঙম্মী। লোয়ননা কোক ঙাওবা অমসুং পূক্লিং লৈতাদবদসু থোইদোক্লা কান্নহল্লি। লোয়ননা ৱাখল লৈতানা তূমথহনবসু ঙম্মী। চা-চন্দনগী উ তক্তুনা লৌবা মহী অসি অশোক-অপন তৌবদা লশিংদা লুপ্তুনা থোম্বদা য়াম্না থুনা ঈ অদু খকহনবা ঙম্বগী মথক্তা থুনসু ওইশিনহনবা ঙম্মী। কনাগুম্বা মীওই অমা মৈনা চাক্তুনা উনশা অদু চাকথেকখ্রবদি চা-চন্দন উ অদু ঈশিংদা তক্তুনা শেম্বা মহী অদু চাং নাইনা তৈবদা অশাবগী চৈনা অদু থুনা ঈংথহনবগী মথক্তা অনৌবা উনশা য়াম্না থুনা চোংখৎহনবা ঙম্মী হায়নসু পাউদম্লি।

উনশাগী লায়না কয়ামরুম মরুওইনা বেক্টিরিয়া অমসুং কোকফাই-শুজানা থোকহনবা লায়নাশিং অসি চা-চন্দনগী উদগী লৌবা থাউ অদু চাং নাইনা নোংমদা ২-৩লক তৈবদা ফহনবা ঙম্মী। চা-চন্দনগী উ অদু কুপ্না তকখায়রগা শঙ্গোমদা নৈখায়দুনা শেম্বা মহী অদু পীথকপদা নুপা-নুপীগী ফিনুংগী লায়না কয়ামরুম ফহনবগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা মহী অদু পীথকপদা ঈশিং য়াফম তৌবা অসিদসু থোইদোক্লা কান্নহল্লি। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদুদা শিং (Ginger) খরা শুগাইরগা হাপ্তুনা শৌহল্লগা শীজিন্নরবদি অমুক্কা হেন্না কান্নবা ফল ফংবগী পাউদমসু লৈ।

পুক নুংশিৎ কাবা অমদি চাকখাও নারবদি চা-চন্দনগী উ অদু কুপ্না তকখায়রগা ঈশিং অফবদা পুং খরা তিংদুনা লৌবা মহী অদুদা খোইহী নৎত্রগা চিনি অঙৌবা খরা তুমহল্লগা শেম্বা মহী অদু নোংমদা গ্লাস ২ রোমগী চাংদাদা হাপ্তা অনীগুম্বদং পীথক্তুনা হায়রিবা অনাবশিং অসি লায়েংবদা কান্নবা ফংই হায়দুনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। হায়রিবা মহী অদু খোঙ হামথবগী হীদাক ওইনসু অদুমক পীথক্নে। নুংশাগী মৈশা য়াম্না কন্না শাদুনা হুমাং কা হেন্না থোক্তুনা ফুগ্রি মথা-মথা পোমখৎপদা চা-চন্দনগী মরেক কারবা উ অদু নূংদা তক্তুনা লৌবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। হীরম অসিদা চা-চন্দন উগী মকুপ অদু রোজ-ৱাটর হায়রিবা গুলাবকী ঈশিংদা নৈখায়রগা পীথকপসু য়াই। ইসকেবিজ হায়রিবা উনশাগী লায়না অসি চা-চন্দনগী উদগী লৌবা থাউ অদু চাং নাইনা তৈবদা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। চা-চন্দনগী থাউ অসিগা হঙ্গাম মরূগী থাউগা ১:৩গী চাংদাদা য়ানশিন্নরগা শেম্বা মলম অদু চাং নাইনা তৈদুনা মায়দা উরিং থুংবা লায়েংবগী মথক্তা উনশা অদু মচু মমেল থোকহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। চা-চন্দনগী থাউ অসি মালেমগী খ্বাইদগী তাঙবা পর্ফ্যুম থাউ শেম্বদা শীজিন্নৈ অমসুং মখল মখা কয়াগী মায়তৈ হীদাক (Cosmetic) শাবদসু পাম্না শীজিন্নৈ। খঙজিনবা য়াবদি চা-চন্দন পান্বী অসি ঙাক শেন্দুনা থম্লবা পান্বীশিংগী মনুংদা অমনি। সাপোন শাবদসু চা-চন্দন অসি য়াম্না পাম্না শীজিন্নৈ।

# শজিবু চৈরাউবা

## - মোইরাংথেম তুনান -

**চহী** খরসি চৈরাউবা মকোক ঙাওরক্লি। মালেমগী খোঙচৎতা পাবা সোলর য়র অমসুং থাগী খোঙচৎতা পাবা লুনার য়র অনীসিগী মরমদা কন্না নৈনরক্লি। খরনা সোলর য়রগী মতুং ইন্দুনা শজিবুগী নোংমা চনবদা চহী হৌদুনা চৈরাউগদৌবনি হায়, অদুগা খরনা লুনার য়রগী মতুং ইন্দুনা নোংমা পানবদা চহী হৌদুনা চৈরাউগদৌবনি হায়। মান্নদবী অনী থোকপী নৎত্রগা ময়াম থোকপী হায়বসি মালেমগী লায়না লায়চৎনি। চৈরাউবা অনী থোক্লকপদা অঙকপদি পোকত্রবসু মান্নদবগী লায়নাসিদি পকহঞ্জনীংদে।

করিগুম্বা মার্করি অমসুং ভেনস প্লানেটকুম্না মালেমগীসু সেটিলাইট (থা) অমত্তা লৈরমদ্রবদি লুনার য়র হায়বমা লৈরম্লোই। জুপিটরগী গুম্না থা ময়াম অমা লৈরম্মবদি লুনার য়রগী ৱাফমসি লৈরম্মোই। জুপিটরগী থা ৬৯ খক লৈ হায়। থানা মালেমগী অকোয়বদা কোয়বদা চঙলিবা নুমিৎ মশীংগা মালেম্না নুমিৎকী অকোয়বদা কোয়বদা চঙলিবা নুমিৎ মশীংগা চহী অমগী ওইনা চপ মান্নরম্মবদি চৈরাউবা অনী থোক্লম্মোই। মালেমগী ওর্বিট অসি খরা খুরমদুনা নুমিৎ ৩৫৪না চহী শারম্মবসু ৱানরম্লোই।

ইন্দিয়া মশাগী ওইনা সোলর য়রদা চৎনরবসু মফম কয়ামরুমদা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ্না নবরে, টগাদি, ছেত্তিচান্দ, চৈত্রশুক্লাদি অসিনচিংবা হায়দুনা চহী হৌবগী থৌরম শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিৎতা পাঙথোক্লরি। নিংথৌরেল বিক্রমাদিত্যগী মতমদগী হৌনুনা বি সী ৫৭তগী সংবট (সম্বট) হায়না চহী হৌনরক্লি। মসিসু শজিবু নোংমা পানবদা থৌরম পাঙথোকই। নোংজা ২১/৩/১৫ ইং শজিবুগী নোংমা পানবা থাংজ নুমিৎত্তা 'বিক্রম সম্বট' য়ু পিগী লক্ষনৌনচিংবদা পাকশন্না হিন্দু ন্যু য়র (নব বর্ষ) গী থৌরম পাঙথোক্লখি।

থানা মালেমগী অকোয়বদা কোয়বদা মালেম্না লেংদনা লৈরম্মগদি নুমিৎ ২৭ পুং ৭ মিনিট ৪৩গুম্বদা মপূং ফাগদৌবদু নুমিৎ ২৯.৫৩০৫৮৭ গুম্বদা চাউরাক্লা নুমিৎ ২৯½ গুম্বদা মপূং ফানা অমুক্লক কোয়। থা ১২না চহী শারিবসি থাগী খোঙচৎতগী পারবদি নুমিৎ ২৯½ x ১২. = ৩৫৪ দমক শুই। মসি চহী ফাদে, নুমিৎ ১১ গুম্বা ৱাৎলি। অদুনা চাওরাকপা থা ৩২½ গুম্বদা থা ১ হাপচিল্লি। মদুবু থানন্নবা (Intercalary month, মলমাস) হায়না কৌই। করিগুম্বা চহীদদি থা ১৩না চহী শাই।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়াথং অমগী মতুং ইন্দুনা (কুমজা ১৯৫৭গী মার্চ ২২দা থোকখিবা) বাংলা কুমজা ১৩৬৩গী চৈত্র ৮বু চৈত্র ১ শকাব্দ ১৮৭৯ হায়না শেমদোক্তুনা চৎনরকখি। অদুনা সোলর য়রগী নুমিৎ মশীং অদু তাননবা অহৌবা থা বৈশাখতগী ভাদ্র ফাওবা অহানবা থা ৫ নুমিৎ ৩১নিনা থা শাই, আশ্বিনদগী ফালগুন ফাওবা থা ৬ অসিনা নুমিৎ ৩০না থা শাই। অদুগা অরোইবা থা চৈত্রদি নুমিৎ ৩০না, লিপ য়রদনা ৩১না থা শাই। নোংচুপলোমগী গ্রেগরিয়ান কেলেন্দরগা মসিগা চহীগী মতম মান্নদে।

চাউরাকপা নুমিৎ ৩৬৫ পুং ৫ মিনিট ৪৮ সেকেন্দ ৪৭না চহী অমা শাই। মদু নুমিৎ ৩৬৫.২৪২২১৮ গুম্বনি। চম্না নুমিৎ ৩৬৫গা পুং ৬না চহী শাই। হায়রিবসি নিংথৌরেল সিজারনা নোংচুপ লৈবাক্তা হৌদোক্লম্মী। অদুবু ১৬শুবা চহী চাদা সিজারগী নুমিৎ ৩৬৫গা পুং ৬ (৩৬৫.২৫) না চহী শাবসি লাল্লে হায়বা খঙনরকখি। নুমিৎ ৩৬৫.২৫-৩৬৫.২৪২১৮= .০০৭৭৮২ হেনজিন্না পাশিল্লে। চহী ৪০০দদি .০০৭৭৮২x৪০০= নুমিৎ ৩.১১২৮ হেনজিল্লে। অদুনা চহী ৪০০গী মনুংদা লিপ য়র ১০০ লৈগদবদু ৯৭ খক্তমক লৈহল্লি। মসিগী মওংসি রোমগী পোপ গ্রেগরীনা হৌদোকপীরম্বনি। হৌজিকসু চৎনরি। কুমজা ১৫৮২দগী রোমান কেথলিক লৈবাকশিংদা পোপ গ্রেগরীনা চুমথোক্লবা চহী পাবগী মওং অদু লৌদুনা চুমথোক্লরকখি। ইংলেন্দদদি কুমজা ১৭৫২দা নুমিৎ ১১নি ৱাৎলে হায়দুনা চহীসিগী সেপ্টেম্বর ৩গী মহুৎতা সেপ্টেম্বর ১৪ (১১+৩) হায়না পাদুনা চুমথোরকখি। অদুম হায়না কুমজা ১৮৭৩দা জপান, ১৯১২দা চিন, ১৯১৮দা রসিয়া, ১৯২৭তা টুরস্ক লৈবাক্লচিংবা মথং মথং চুমথোক্লরক্তুনা চৎনরকখি। হৌজিক্তি লৈবাক অয়াম্বদা চৎনরক্লে।



ইংলেন্দদদি চহী অমবু সিজন ৪ থোক্লা খাইদোকই। ইন্দিয়াদনা ঋতু ৬ থোক্লা খাইদোকই। সিজন নৎত্রগা ঋতু খাইরিবসি থাগী খোঙচত্তগী নত্তে, মালেমগী খোঙচৎতগী পারগা খাইবনি। ঋতুগী মতুং ইন্দুনা মতম মতমগী লৈ শাৎলি, মপান শাই, মহৈ-মরোং পাল্লি। পুং ২৪না নোংমা শারিবসিসু মালেমগী খোঙচৎকা মরী লৈনৈ, থাগী খোঙচৎকদি মরী লৈনদে। সিজন নৎত্রগা ঋতুগুম্না মীতৈগী চহী অমবু পানথা ৮ থোক্লা খাইদোকই। মখোয় অদুদি - য়েন্নীং পান্থা, ওলাংথা, নোংজু পান্থা, লৌরোক পান্থা, খোংগং থা (তু, খোং খোংবান্নচিংবা কংশিল্লকপা মতম) ইকং থা, নিংথম থা, নাকেন পানথা (অশিৎ অৱান থা) অসিনি। পান্থাসু মালেমগী খোঙচৎকা মরী লৈনৈ।

ইন্দিয়ন ষ্টেন্দার্দ টাইম (আই এস টি) এলাহাবাদ ময়াদা ফাওদুনা চৎলিবা $80^\circ$ লোংগিচ্যুদতগী পাবনি। ইম্ফালগী লোংগিচ্যুদনা $94^\circ$গুম্বা ওইবনা মসিগী লোকল টাইম অসিনা মিনিট ৫৬ (১৪x৪) গুম্বা ঙনখৎলি। নুমিৎ থোকপসু-তাবসু মিনিট ৫৬গুম্বা হাল্লি অদুগা নুমিৎ য়ুংবা অমসুং নোংয়াইসু মিনিট ৫৬গুম্বা হান্না ওই। অদুনা নুমিৎ য়ুংবা মমাঙ লাইথৌ তৌগে হায়রবদি আই এস টি (ঘড়ী) গী পুং ১২ তাগদবগী মিনিট ৫৬ মমাঙদা পাঙথোক্কদৌবা ওই।

মীতৈগীদি নুমিৎ থা পাদুনা চৎনরকই। লমতা থাংজদা শরোই খাংই। হৈচক, হয়াচক, খুনুংচক, লাংবচক হায়দুনা চক ৪ লৈ। মখোয়সি শরোই খাংবগসু মরী লৈনৈ হায়। ইনিংথৌশিংনা কোনুংদা উত্রা শঙলেন লীংবিরম্মী, লোইশঙ কয়ামরুমসু খাইনা খাইনা লীংবিরম্মী। কোংবা লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবগী লাইথৌ অসিসু শজিবু চৈরাউবগা মরী লৈনৈ হায়। নোংমৈবুংদা চুক (য়ূম্বী) য়ুংলগা নুমিৎনা থোরকপদা তাবা মমি অমসুং তারকপদা তাবা মমি য়েংদুনসু চৈরাউবগী নুমিৎ লেপ্পী হায়। মরী লৈনবা লোইশঙগী অখঙ অহৈশিংনসু নুমিৎ থা পাদুনা চৈরাউবগী নুমিৎ লেপ্পী হায়। মতম অদুগী পানাশিংদা লৈবা অখন্নবা মীওইশিংদা থৌগাই পুহন্দুনা চৈরাউবা তাবা নুমিৎ অদুগী পাউ লৈবাক্তা চেনথোকহল্লম্মী হায়। চপ মান্নবা নুমিৎতা লৈবাক পূম্বা চৈরাউনরম্মী। লৈরি, নোংদমলৈ, খোংগুনমেলৈ, মখল মখলগী উরৈ, কোম্বীরৈনচিংবা চৈরাউবা মতমদতা মহৌশাগী ওইনা শাৎপা লৈশিংতবু চৈরাউবদা লাইদা কৎনৈ। অপোম্বা লৈ লাইদা কৎনদে। শজিবু নোংমা চনবদা চৈরাউবগী নুমিৎ অসি এপ্রিলগী নোংজা ১৩ নৎত্রগা ১৪দা তাগল্লি। নুমিৎ অসিমক্তদা ম্যান্মার, কোম্বোদিয়া, থাইলেন্দনচিংবা নোংপোকলোমগী লৈবাকশিংদসু চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোকনৈ হায়।

ইবুধৌ পাখঙববু 'লোইদাম থাজ পাখঙবা' হায়না থাজগা পাংখক ওইনা মিংখৈনৈ। নুমিৎকা পাংখক ওইবা সনামহী লাইনিংথৌগী মিংখৈরোন্দা 'নোংখোং কোয়বা অঙম্বা' হায়না য়াওরি। অদুনা সনামহীনা নোংখোং কোয়বা পাখঙবনা ফানখোং কোয়বগী ৱারী অসি নোংমা চনবদা চৈরাউবগা মরী লৈনরে। মমাঙঙৈদা লৈবাক পুম্নমক নুমিৎনা মালেমগী অকোয়বদা কোয় হায়না লৌনরম্মী। ইটালিগী সাইন্টিষ্ট গেলিলিও গেলিলীনা মদু নত্তে, "The earth rotates round the sun" মালেম্না নুমিৎকী অকোয়বদা কোয় হায়না পুথোকপীরম্বনি। হৌজিক্তি নুমিৎ অসি লেংদনা লৈ হায়বা খঙনরবসু নুমিৎনা নোংপোকলোমদগী থোরকই হায়না অদুম হায়নরি।

মমাঙঙৈদা শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাউই হায়বসি শুকতা তাজরক্তে। হোলিদে লিষ্টতসু য়াওরমদে। হয়িং খোংবান্দা সনামহীগী টেম্পল লৈরবা মতুংদা মীওই খরনা মফম অদুদা মীফম ফম্মগা নোংমা পানবদা চৈরাউগদৌবনি হায়বগী ৱারেপ লৌখি। মখোয়না খল্লিবদি লৈবাক পুম্নমক চহীগী অহৌবা থাগী অহৌবা নুমিৎতগী চহী হৌনৈ। অদুনা মীতৈগী অহানবা থা শজিবুগী অহানবা নুমিৎ নোংমা চনবদা চৈরাউফম থোকই হায়বসিনি। মখোয়না শজিবুগী নোংমা পানবগী ৱাফমদি নীংশিংবীহৌদ্রে। মদু সোলর য়রগী অহানবা নুমিৎনি হায়বসু নীংশিংবীহৌদ্রে। জন্যুৱারীগী নোংজা ১সি থাসিগী নোংমা পানবদু নত্তে। ইন্দিয়াগী ওইনসু বৈশাখ ১ (পোইলা বৈশাখ) অসি বৈশাখকী নোংমা পানবদু নত্তে, নোংমা চনবা অহানবা নুমিৎনি। অদুনা মীতৈনা শজিবুগী নোংমা চনবদা চৈরাউরিবসি মরম চাই।

চৈরাউবসি শজিবুগী নোংমা পানবদা তাগনি হায়বদু অকক্লবা লৈতে। চহী শাংনা পানবা নিংথৌশিংগী মতমদা মতা চানরুদুনা নোংমা পানবদা চৈরাউবা নুমিৎ অনী-অহুম্লক তাবসু য়াওই। ইশামকসু নোংমা পানবদা চৈরাউবা নুমিৎ তাখিবা অনীরক থেংনজখ্রে। কুমজা ১৭৪৪দা শজিবুগী ২৮ পানবদা, কুমজা ১৭৪৬তনা শজিবু ২০নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা চৈরাউখি হায়না চৈথারোল কুম্বাবদা পল্লি হায়।

নোংমা পানবদা চৈরাউবগীদি কুমজা ২০১২দা নুমিৎ ৩৫৫না, কুমজা ২০১৩দনা ৩৮৪না, কুমজা ২০১৪দনা ৩৫৫না, কুমজা ২০১৫দনা ৩৫৬না, কুমজা ২০১৬তনা ৩৮৫না, কুমজা ২০১৭তনা ৩৫৫না অদুগা কুমসি ২০১৮দনা নুমিৎ ৩৫৪না চহী শাই। মসি মরিং মরাংই। কুমজা ২০১৫গী শজিবু নোংমা পানবা মৈতৈ/মীতৈ চৈরাউবা নুমিৎ নোংজা ২১/৩/১৪দা তাখি, নোংমা চনবগী চৈরাউবনা নোংজা ১৪/৪/১৫দা তাখি। নুমিৎ ২৫ খেন্নখি। কোম্বীরৈ, ক্বাকলৈ, লৈরিনচিংবা লৈ অমত্তা নোংমা পানবদা শাৎখিদে অদুগা মালহৈ, হৈখানচিংবসু পানখিদে। কুমসি ২০১৮ অসিদসু নুমিৎ ২৮নি খেন্নবনা মহৌশাগী ওইনা লৈ শাৎতে, হৈ পানদে। মহৌশাগী ওইদবা ঙন্না থারগা ঙন্না শাৎপা, থেংনা থারগা থেংনা শাৎপা কুসুমলৈদি শাৎলি।

কুম থাদা মীনম্বদি য়াদবনা মকুম মথা শুরগা নোংমা চনবদা লৈরাং শাৎলি, হৈরাং পাল্লি হায়বসি ইপা-ইপুশিংদুনা হকথেংননা খঙবীদুনা নুমিৎ শুরগা নোংমা চনবদা চৈরাউবিরম্মীবনি। অদুনা ইপা-ইপুশিংগী খুদুং ইঞ্জদুনা নোংমা চনবদা ঐখোয়সু চৈরাউজরি। কুমসিগী ওইনা শজিবু নোংমা চনবা নোংজা ১৪/৪/২০১৮ চৈরাউবগী লাইথৌ নুমিৎ অসি লাকপসিদা লৈবাক পুম্বা চাওখৎপা লোয়ননা ঈংনা-তপ্পা, তন্দু-লৈতানা পানবা ঙমহনবীরসনু হায়না মপূদা য়ৌনিজরি।

## মরোল থোকপা লাই

